# ম্যান্মারদা দেমোক্রেসি লৈঙাক হঞ্জিল্লকপদা মীৎয়েং অমা - (২)

— সী সী মঙানলৈমা —

হৌজিক এন এল দিনা চাইনাগা অফবা মরী লৈনরি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈরবসু ম্যান্মারদা ৱেষ্টর্ন কন্ত্রিশিংগী মীৎয়েং কা হেন্না চঙশিল্লক্লবদি বোর্দরগী তঙাইফদবা য়েংলগা মিলিটরি লৈঙাক্তা ওইনা শৌগৎলক্লবা চাইনানা হোৎনরক্কনি। মসি মমাঙদা নোর্থ ভিএটনামনা থেংনখিবা ফর্ষ্ট ইন্দো-চাইনা ৱারদা ফ্রেঞ্চ ফোর্সশিংগী মায়োক্তা অদুগা মতুং তারকপদসু সাউথ ভিএটনামগা পূনশিন্নবা তৌখিবা লানদা চাইনিজ পি এল এশিংনা মতেং পাংখিবা অমদি নোর্থ কোরিয়াগী লানদসু চাইনানা চাউনা শরুক য়াখিবা অদুনসু খুদম ওইখ্রবনি। অদুগীসু মথক্তা হৌজিক্তি চাইনা অসি মপাঙ্গল কনবা লৈবাক অমা ওইরক্লবনিনা রিজন অসিদা থোকপা কনফ্লিক্ট খুদিংমক মখোয়গী অনীংবা অমদি অপাম্বগী মতুংইন্না চথুহন্নবা হোৎনরক্কনি।

নাকল অমদনা য়ু এস নৎত্রগা নাটোগী পৱারনা এন য়ু জিগী মায়কৈদা লেপ্পুনা ম্যান্মারদা অচৌবা লান অমা মিলিটরি লৈঙাক অসিগী মায়োক্তা চথুরকপা অমদি মসিগী লাল্লোংদা অনৌবা বেজশিং ওইনবা য়ূমথংনবা লৈবাকশিং হায়বদি বাংলাদেশ, থাইলেন্দ নৎত্রগা ইন্দিয়াদা শেল্লকপা হায়বসিসু ওইথোকপদা খরা ৱাগদবা অমনি। বাংলাদেশকী ওইনদি হান্নদগী হৌনা রোহিংয়াশিংগী অচৌবা ইস্যু লৈরবা ফাওবদা লৈবাক অনীগী পোলিটিকেলগী ওইবা ফীভমশিং অকায়বা লৈনদ্রি। ইন্দিয়াসু এক্ট ইষ্ট পোলিসিগী য়েংলগা নাকল অনীমক্তা মরী ফনা লৈনবা হোৎনরক্কনি হায়বসি হন্দক চহীগী মার্চ থাদা দেল্লী গভর্ণমেন্টনা মিজোরাম, নাগালেন্দ, অরুনাচল প্রদেশ অমদি মণিপুরদা ম্যান্মাররোমদগী ইল্লিগেল ওইনা চঙলকপা মীওইশিং দিপোর্ট তৌনবা খঙহল্লকখিবা অদুনা খুদমনি। থাইলেন্দদি হৌজিক হৌজিক কূ তৌ তৌদুনা মিলিটরিনা লৈঙাক পায়রক্লিবা অমদি ম্যান্মার রেজিম অনীগসু মরী ফনা লৈরিবা লৈবাক অমনি। অতৈ সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাকশিংসু চাইনাগী ফীভম য়েংলক্কদবা লৈবনা পিছফুল ওইবা লন্মীদা তাইশিন্ননবা হোৎনরকপা নত্তনা লান্মীগী পাঙ্গল শীজিন্নরকপদা শরুক য়ারকপা ঙল্লোই। হৌজিক লৈরিবা মিলিটরি লৈঙাক অসিনা মালেমগী থাক্তা টেররিষ্টকী থবক চঙশিল্লক্কনি নৎত্রগা টেররিষ্টশিংগী চংজফম পীদুনা থম্লক্কনি হায়বগী মরাল শীফমসু লৈবা নত্তে। পূম্নমক অসিগী মথক্তা ম্যান্মারগী মিলিটরি রেজিম অসিগা য়াম্না মরী ফনা লৈনরিবা রুসিয়ানা ফৈগাক ফৈনা লেপ্লকপা য়াবগী ওইথোকপসু লৈরি। নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা পুতিননা টাইৱানগী ৱাফম অসি চাইনাগী মনুংগী ওইবা ৱাফমনি অদুগা ৱেষ্টর্ন কন্ত্রিশিংনা থৌ লৈতনা থৌ থিরোইদবনি হায়খিবা অদুগুম্না ম্যান্মারগী ৱাফম অসিদসু অহৈ অপা শাদনবা হায়রকপসু য়াই।

হায়রিবশিং অসি মিলিটরি রেজিম অসিদা ফংবা খুদোংচাবশিং অদুনি হায়না লৌবা য়াই। কূ অমা মায় পাক্লা চঙশিল্লকপদা খ্বাইদগী মরু ওইবা মরম অমা ওইরিবসি লান্মী শঙলূপ অদুগী অমত্তা ওইবগী পাঙ্গল অদুনি। ২০১৬কী টর্কিদা তৌখিবা মায় পাকখিদবা কূ অদুগুম্না ম্যান্মার লান্মীশিংগী মরক্তা চরাংনবা ফীভম অমত্তা কূ তৌদ্রিঙৈদা লৈখিদে। বাংলাদেশকী ২০১২দা তৌখিবা ফেল ওইবা কূ অদুদসু মখোয় মশেল ইস্লামিক লো চৎনবা পাম্বা-পামদবা নৎত্রগা বাংলাদেশ অসি ইন্দিয়াগী হংলাই ওইগদৌরে হায়বনচিংবদা য়ানীংবা-য়ানীংদবা লৈনখিবশিং অদুগুম্না মখোয় মশেলগী মরক্তা খেন্নবা মখল লৈনখিবসু উখিদে। হৌজিক মীওই খরা লান্মীদগী চেন্থোক চেনশিন খরা তৌবগী পাউ লৈরবসু মদু য়াম্না পিকপা মশীং থাবা ফাওবা য়াদবা মীওই খরগী ৱানি। অদুবু কূ অসিনা মরম ওইদুনা নহারোল কয়াদি লৈঙাক অসিগী মায়োক্তা খূৎলায় পায়বগী লালহৌ চঙশিল্লক্লবগী মরম ওইহল্লকখি। মসিদা অমুক্কা হেন্না খুদোংচাবা চাউনা ফংখ্রিবসি ইথনিক মাইনোরিটিশিংগী লালহৌবশিংনা লান্থেংনগদবা লানগী মফমশিং পি দি এফশিংনা পূন্না থেংনমিন্নদুনা মখোয়গী বেজ এরিয়াশিং পাকথোক-চাওথোকহনবদা অচৌবা পান্থে ওইহল্লকপা অদুনি। মমাঙৈদদি ম্যান্মারগী লান্মীশিংনা হায়রিবা ইথনিক লালহৌবশিংগা লান শোক্লবা মতমদা মেজোরিটি বুধিষ্টশিংনা লান্মীশিংদা মতেং চাউনা পীরম্বনি, অদুবু হৌজিক্তি ম্যান্মার বুধিষ্টশিংনা মপূং ওইনা পি দি এফনচিংবা শেমদুনা লালহৌরকপা অসিনা লান্মীশিংদা মায়কৈ শুনা লান্থেংনবা তারকপগী ফীভম চাদবা অদু মায়োক্লরি। অদুমকপু মালেমগী ৩৮শুবা রেঙ্কতা লৈবা অদুগা লাখ ৩.৫০ রোমগী মিলিটরি ষ্ট্রেঙথ লৈবা লান্মী শঙলূপ অমবু মায়থীবা পীবা হায়বসি ইরায়-লায়বা অমদি নৎত্রি। চহী কয়া লিশাং শিৎনা ইথনিক লালহৌবশিংগা অচৌ অচৌবা লান্থেং কয়া থেংনদুনা লাকখ্রবা অমদি ৱাখল্লোন ৱাংনা লালহৌ চঙশিল্লকখিবা সী পি বি (কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ বর্ম্মা) বু নমথবা ঙমখিবা ম্যান্মার লান্মীশিংবু অনৌবা শেমগৎপদা ঙাইরিবা পি দি এফশিংনা লানগী এক্সপরিএন্স ইয়াও য়াওদ্রিঙৈদা মায়থীবা হেক্তা পীবা ঙমগনি হায়না খনবা চুমখিরোই। হৌজিক এন য়ু জিনা তৌগদৌরিবসি লান্মীগা য়াশিন্নবা পুরক্লবা হোৎনবা, চাইনা অমদি ইন্দিয়াদগী প্রেসর পীহনবা, ইথনিক লালহৌবশিংগা হান্নগুম্না সিজ ফায়র তৌনহন্দুনা পিছ টোক মখা চথুহনবা, পি দি এফনচিংবা শেমদুনা মিলিটরিগী মথক্তা লান্দারিবশিং অসি নেমথহন্দুনা পিছফুল ওইবা সিচুএসন অমা থম্নবা হোৎনবা অমদি এম পি ১০০ রোম মিলিটরি লৈঙাক্কা য়াশিন্নবগী মওংদা লৈরিবা অসি চিংথোক্তুনা মখোয়গা অমত্তা ওইনা লেপমিন্নরি হায়না মালেমগী মীয়ামদা উৎপনচিংবশিং অসিনা মরু ওইনা চঙশিনগদবা থবকশিংনি। ফীভম অসি শাগৎপা ঙমদ্রবদি হৌজিক মিলিটরি লৈঙাক্কী লুচিংবা ওইরিবা Min Aung Hlaing না চহী অনীগী মনুংদা দেমোক্রেসি লৈঙাক হঞ্জিনহনগনি হায়খিবা অদু হোংদোক্তুনা ম্যান্মারদা মিলিটরিগী লৈঙাক মতম শাংথনা লৈথখিবা য়াই। ●

ষ্টেটকী পাউ

## হেন্দিক্রাফটসকী ওইবা কৌনাগী পোত্থোকশিং কোলকটাগী পান্থোইবী এম্পোরিয়মগীদমক্তা লমথাখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬ (ঐচএনএস): হেন্দিক্রাফটসকী পোত্থোক ওইরিবা কৌনানা শাবা দিজা-ইনশিং কোলকটাগী পান্থোইবী এম্পোরিয়মগীদমক্তা য়োন্নবা, হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফটস দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন পাউনা কৈথেলদা লৈবা ওফিসতগী লমথাখ্রে।

লমথাবা অসিদা হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফটস দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদকী চেয়রমেন সগোলশেম অচৌবনা হায়খি, মমাঙদা লাউথোকখিবা নিঙোল চাক্কৌবগী খূদোলগী শরুক অমা ওইনা অমা লৈবদা অমা হাপ্পা অমসুং চাদা ৭০ তাদুনা য়োনবগী মনুং চন্না কোলকটা অমসুং দেল্লীদসু য়োনবা হৌখ্রে। কোলকটাদা লৈরিবা পান্থোইবী এম্পোরিয়মদা মীয়াম্না কৌনানা শাবা ময়ামসি পাম্মী থাবীরকউ হায়বদগী লুপা লাখ ২গী মথক্তনি থারিবা পোৎশিংসি। আইটেম ১৭কী মথক্তা থাবনি।

মসিগী মতুংদা অমুক ইয়োংগী ফি পোত্থোকশিং থাগনি। ইরমদমগী পোত্থোকশিং অসিসু মতিক ময়াই য়াওবা পোত্থোক ঙাক্তনি। অদুনা ফিশাবীশিংসু য়োকখৎপা ইকোনমিদসু ফঙ্গৎপা হায়বসিদা চঙশিনবনি। অদুম্না ইরমদমগী পোত্থোক ঙাক্তা মপান দসু শীজিন্নবা ঙমহন্নবা হোৎনবগী পান্দমদা চঙশিঞ্জবনি। য়ূমদসু ফম্না ফম্না পোৎ লৈবা য়াবগী খুদোংচাবসু পীজদুনা লাক্লি। অদুনা ঐখোয় ইরমদমগী পোত্থোক য়োকখৎসি হায়খি।

মেনেজিং দিরেক্টর ঈ জিতেননা হায়খি, হৌজিক থারিবা পোৎশিং অসি কোভিদকী অহানবা ৱেব লাকপা মতমদা ফিশাবীশিং অমদি হেন্দিক্রাফটসকী পোৎশিং শারগা য়োনফম লৈতবদগী কোর্পোরেসন অসিনা লৈরগা থম্বা ঙাক্তনি। মসিদসু নত্তনা ত্রিপুরাদগী সিলেট বাংলাদেশতসু ইয়োংগী অমদি হেন্দিক্রাফটসকী দুকান হাংদুনা য়োল্লি। মসিসু ত্রিপুরানা লৌরগা থাবনি। ত্রিপুরাদা সেন্টর ওইবনি। মসি ত্রিপুরাগী মীনা মসিদা লাক্লগা ট্রেনিং য়াওদুনা লোইরগা চৎখিবা ঙাক্তনি।

অদুনা মণিপুরগী মপান্দা ইয়োংগী ফি অমসুং হেন্দ্রাফটসকী ওইবশিং অসি খঙহনবা অমদি শীজিন্নবা ঙমহনবা অমসুনি। ফিশা লোনশা, খূৎ-শা হৈবা ময়াম্না শারিবশিং অসি কোভিদকী মতমদা শাবদু লৌশিন্দুনা থম্বদগী মসিদা অমুক থম্ফম লৈরক্তবা মরম্না চাদা ৭০ তারগা অমদি অমা লৈবদা অমা হাপ্পা নিঙোল চাক্কৌবগী খূদোল ওইবনি। মসিদা লৈশিনবা হায়বসিসু মিনিষ্ট্রিগী মখাদা খূৎশা হৈবশিংবু য়োকখৎপগী পান্দমদা লৈশিঞ্জনবা অমসুনি হায়খি। অদুনা খূৎ-শা হৈরবশিংবু য়োকখৎপা অমদি মখোয়গী শেন্দাল লন্থী ওইদুনা হিংজবা য়াবা লমবীসু পীবিবা চঙই। ঐখোয়গী পোত্থোকসু মাঙহন্দনা থম্নবা হেন্না হেন্না পুথোক্তুনা মপান্দা খঙহনবা চঙই হায়খি।

## উ পাম্বী চারা ২১ থাখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬ (ঐচএনএস): অৱাং নোংপোক লমদম্বু ইভরগ্রীন নোর্থ ইষ্ট লমদম অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা লৈঙাক্কী থৌশিল অমগী মখাদা ঙসি মণিপুর লৈঙাক্কী ৱেটস এন্দ মীজর্স দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা লম্ফেলপাৎতা লৈবা দিপার্টমেন্ট অসিগী ওফিস কমপ্লেক্সকী অকোয়বদা উ চারা পাম্বী ২১ রোম থাখ্রে।

থৌরম অদু ৱেটস এন্দ মীজর্স দিপার্টমেন্ট অসিগী কন্ট্রোল্লর রোবার্টসন অসেম, চীফ ফাইনান্স ওফিসর লিক্লাইনু অমদি এসিষ্টেন্ট কন্ট্রোল্লর জি কুমার কবুইনা লুচিংদুনা উ পাম্বী চারাশিং থাখিবনি।

ঙসি থাখিবা উ পাম্বীশিং হিংহন্নবা হোৎনবদা চয়োল অমগী মনুংদা অমুক/অনীরক্তি নৌনা থারিবা উ পাম্বী অদুগী মখোংদা চোৎহনবা য়াম্না মথৌ তাই হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোরকখি।

## ললিত মেমোরিএল লেকচর ২০২১ পাঙথোক্তুনা ইকায় খুম্নবা উৎখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬ (ঐচএনএস): ললিত মেমোরিএল লেকচর ২০২১, মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিনা শীন্দুনা কোনুং লম্পাক্তা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাঙ লিলা শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে। শক্লাইরবা সোরোকখাইবম ললিতকী মফমদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

থৌরম অসিদা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি এৱার্দি পিঐচ গুনচন্দ্রনা লেকচর ওন ওরিজিন এন্দ ইভাল্যু-এসন ওফ শুমাঙ লিলা হায়বা টোপিকতা ঙাঙখিবদা, শুমাঙ লিলাগী ওইবদা লৈরিবা অসিদি য়াম্না মনুং থীৎনা নৈনবদা লোইবা নাইরোই। মালেমগী ত্রেদিসন থিএটরগা চাংদম্নবদা মণিপুরগী মোইরাং পর্ব্ব লিলা অসি নোপত্রবা লিলা অমনি হায়না অহলশিংনা থন্বীরম্মী।

হৌজিক শান্নরিবা শুমাঙ লিলা অসিদি কন্টেম্পররি শুমাঙ লিলানি, ট্রেদিসনেল শুমাঙ লিলাসি লৈত্রবগুম্বনি। শুমাঙ লিলা অসি ম্যুজিয়মগী মওংদা লৈরগদ্রা হায়বগী নুংনাংবা ফাওই। সঙ্গিত নাটক একাদেমিনা শুমাঙ লিলাগী লিলারোই অনীদা য়ুব পুরস্কার অমসুং সঙ্গীত নাটক একাদেমি এৱার্দ পীবসিনা নেসনল লেভেলদা য়াওবা ওইরে হায়গদৌরিব্রা। ইন্টেজিবল হেরিটেজ ওফ হ্যুমেনিটিজদা শুমাঙ লিলা য়াওগদবনি হায়না থাঙ্গৎচরিবনি।

ঙাইহাক নুংঙাইনবা কুন্ধে ওইনা উরিবা অসি ঐখোয়গী মীৎয়েংদা লুনা লাৎচরিবা অসিগী ৱাহন্থোক খূদিংমক অদু ওজাশিংনা চহী ৪০ হেন্না থিজিল্লকপশিং অদুদগী খঙজবনি। শুমাঙ লিলা হিংহনবা হায়বসিসু অথিংবা অমত্তা পীরোইদবনি।

শুমাঙ লিলা হায়বসি মীওইবগী লাইনিং অমদি থৌরম কয়াগা শাগোন্নদুনা লাক্লবা অমনি। অদুনা শুমাঙ লিলা করিনো খঙনবা হোৎনগদবনি। শুমাঙ লিলাগী চৌক্রি অনীখক্তং থারিবা অসিগী অকোয়বদা কোনুং ওইবা য়াই, কৈথেল ওইবা য়াই, ইমুং ওইবা য়াই, ওইনিংবা ওইবা য়াবা মফম্নি। অদুনা শুমাঙ লিলানা খুন্নাই শেংদোকপা, এদ্যুকেসন পীবা, মরৈবাক নীংবনচিংবা কয়াসি করম্না হায়রিবনো হায়বসি খঙবা চঙই হায়খি।

মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি সেক্রেটরি এল কিশ্বরজিৎনা নুংগী ৱারোল পীরদুনা, সোরোকখাইবম ললিত হায়বসি থিএটরবু মশক খঙহনবীরম্বা ওজা অমনি। অদুনা একাদেমিনা পাঙথোকপা মেমোরিএল লেকচরশিংগী মনুংদা অমসুনি। ওজাসিনা তৌরম্বা থবক থৌরমশিংবু নীংশিংবনি হায়খি। মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি এৱার্দি পি খোগেন্দ্রোনা থৌরম মপু ওইখি।


ꯌꯨꯝ/পোইন্ট ২৫গী PLOT অমা অথুবগী ওইনা য়োঞ্জরি

Keishampat অমসুং Kwakeithel Bazar য়ৌদ্রিঙৈ মরক Main Road কা হেক তায়নবদা পোইন্ট ২৫কী Plot অমা অথুবগী ওইনা য়োঞ্জরি। কনাগুম্বা পাম্বীবশিংনা মখাগী Contact Number মসিদা পাউ ফাওবীরক্লবা নীংশিংজরি। Broker দি Encourage তৌজরোই।

HL-P/0478/26-30 # 7005173503, 9362153253



ꯏꯁꯤꯡ ꯌꯨꯝ / ইশ্খোল য়োঞ্জরি

লাংজিং অচৌবা অৱাং লৈকাইদা লৈবা পোইন্ট অহুম (.৩) চাওবা ইশ্খোল অসি অথুবগী ওইনা য়োঞ্জরি। কনাগুম্বা পাম্বীবশিংনা মখাদা পীজরিবা কন্টেক্ট নম্বর অসিদগী অকুপ্পা ৱারোল খঙবীবা য়াগনি।

HL-P/9545/27 Contact No. 9383239650



ꯃꯥꯡ / BANK PASSBOOK LOST

I have lost my Bank Passbook bearing A/C No. 33483028884 issued by State Bank of India, High Court Complex Branch on 21st October, 2021 on the way from Thangmeiband to Laipham Khunou. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Sheema Wakambam**
Laipham Khunou Makha Leikai
Contact No. 8837420177

HL-P/9544/27



**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST (NORTH) SEKMAI**

**Ref :- Mutation Case No. 482/SDC/IW(N) Sekmai of 2021**

Phuritshabam Sanathoi Devi W/o Usham Subhas Singh of Khurkhul Sebok Leikai - Petitioner

-Versus-

Late Phuritshabam (O) Noyoni Devi W/o (L) Ph. Ramo Singh of Khurkhul Sebok Leikai - Pattadar

ꯈꯣꯡꯆꯠ / **NOTICE**

Seimak, the 26/10/2021

Under Section-46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Imphal West Tashil Village No. 38-Khurkhul Under Patta No. 411 (New) Covered by C.S. Dag No. 2118 গী area .885 acres চাওবা ফৌরেল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা নমা পানবীরো হায়দুনা SDC, Sekmai গী Court তা application থারক্লে অমদি লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা SDC, Sekmai গী কোর্টতা য়েংলবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই Case মখা চৎথজখ্রনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, North Sekmai

HL-P/0487/27



**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST-PATSOI**

**Ref. Mutation Case No. 452/SDC/IW/P**

Mutum Premila Devi W/o (Late) Mutum Joy Singh of Yurembam Awang Leikai - Petitioner

-Vs-

(Late) Mutum Nimai Singh S/o (Late) Mutum Bolai Singh of Yurembam - Deceased Pattadar

ꯈꯣꯡꯆꯠ / **NOTICE**

Dt. 26/10/2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ই: ও: পাৎশোইগী খুল নম্বর ৭৮-চঙাঙ্গৈগী পাট্টা নং ৭০১ (অনৌবা)গী দাগ নম্বর (i) ২৯১/৪৮২, (ii) ৫১২/৭১৩ গী ০.১৪+০.০৩৫=০.১৭৫ একর চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টা অসি মৃত ওইখ্রে। মদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মহাক্কী ফংফম থোকপা স্বতনি হায়দুনা মমিংদা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী ৭ নি শুবা নুমিৎ ফাওবগী মনুংদা অয়ুক পূং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হুকুম মখা চথুরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Patsoi, Imphal West

HL-P/492/27



**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, PATSOI, IMPHAL WEST DISTRICT, MANIPUR**

**Ref. Mut. Case No. 461/SDC/P/2021**

I. Yumnam Deepak Singh S/o (L) Ibomcha Singh of Sagolband Heinoupok
II. Yumnam (N) Phajabi Devi D/o (L) - do - of - do - -Petitioners

-Vrs-

Late Yumnam Ibomcha Singh S/o (L) Bapu Singh of Langjing Heinoupok . -O.P. Party

ꯈꯣꯡꯆꯠ / **NOTICE**

The 25th October, 2021

U/S 46(3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃ: পাট্টাদার য়ুম্নাম ইবোমচা সিংহ, পীং মৃ: বাপু সিংহ, সাং লাংজিং হৈনৌপোককী মিংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং ১০৪-লাংজিং অচৌবা অনৌবা পাট্টা নং ৩৮৪ দাগ নং ৬৪১ অমসুং এরিয়ানা .৪২ একর চাওবা ইশ্খোল মনুংদগী মমাংদা .৩২ একরনা দংকারি নম্বর (১) অমসুং মনিংদা .১০ একর দংকারি নম্বর (২) অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমীৎ ৭নিগী মনুংদা ইশ্খোল/লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপ্তি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপ্তি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Patsoi

HL-P/494/27



**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, HIYANGTHANG**

**Ref. Mutation Case No. 313/SC/IW (H) of 2021**

Shree 1. Arambam Binashakhi Devi W/o Late Tomba Singh of Keishamthong Top Leirak
2. Soibam Brajakumar Singh S/o Late S. Manao Singh of - do -

-Vs-

Shree 1. Late Soibam Manao Singh S/o (L) Amu Singh of - do -
2. Late Soibam Tomba Singh S/o - do - of - do -
3. Late Soibam Nilkomol Singh S/o - do - of - do -
4. Late Soibam Angoumacha Singh S/o - do - of Ningombam
5. Late Soibam Binod Singh S/o - do - of - do -

ꯈꯣꯡꯆꯠ / **NOTICE**

Dated/Hiyangthang, 26/10/21

Under Section 46(3) MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নং 9-Irom Meijrao পাট্টা নং 439 (অনৌবা) গী হাল ডাগ নং 337 (অনৌবা)গী এরিয়া 1.34 Phourel একর/হেক্টর চাওবা ইশ্খোল/লৌফম অসিগী Co-Pattadar No. 3, 4 & 5 অসি নত্তনা অতোপ্পা লোয়না মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নমজরি তৌবিরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং ৩/১১/২১ ইং ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা নৎত্রগা অইবা চেরোলনা আপতি তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না মখা চথুরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Hiyangthang

HL-P/0485/27



**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST (NORTH) SEKMAI**

**Ref :- Mutation Case No. 481/SDC/IW(N) Sekmai of 2021**

1. Phuritshabam Mangal Singh S/o Ph. Ramo Singh of Khurkhul Makha Leikai
2. - do - Bikash Singh S/o - do - - Petitioners

-Versus-

Late Phuritshabam Chinglen Singh S/o (L) Tomba Singh of Khurkhul - Pattadar

ꯈꯣꯡꯆꯠ / **NOTICE**

Seimak, /2021

Under Section-46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Imphal West Tashil Village No. 38-hurkhul Under Patta No. 440 (New) Covered by C.S. Dag No. 3126 গী area .99 acres চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা নমা পানবীরো হায়দুনা SDC, Sekmai গী Court তা application থারক্লে অমদি লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা SDC, Sekmai গী কোর্টতা য়েংলবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই Case মখা চৎথজখ্রনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, North Sekmai

HL-P/0487/27



**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR; MOIRANG, MANIPUR**

**Ref. Mutation Case No. 351/SDC/Moirang/2021**

1. Khwairakpam Bokuljao Singh S/o (L) Modhu Singh of Ithing Mamang Leikai
2. Kh. Paka Singh S/o - do - of - do -
3. Kh. Inaocha Singh S/o - do - of - do -
4. Kh. Shakhenba Singh S/o - do - of - do -
5. Kh. Inakhunba Singh S/o - do - of - do -

-Vs-

Late Kh. Modhu Singh S/o (L) Kh. Bhubol Singh of Ithing Mamang Leikai

ꯈꯣꯡꯆꯠ / **NOTICE**

Moirang 22/10/2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৫০-থম্নাপোকপীদা লৈবা পাট্টা নং ৫২ (অনৌবা) সী এস দাগ নং ১৬৪ এরিয়া ০.৬২ একর চাওবা লম ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃ: পাট্টাদার ওইখ্রে। মরম অদুনা হায়রিবা লম অসিগী মৃ: পাট্টাদারগী ইমুং-মনুংনা মিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা আপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চথুগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Moirang

HL-P/0483/27



**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, PATSOI, IMPHAL WEST DISTRICT, MANIPUR**

**Ref. Mut. Case No. 460/SDC/P/2021**

1. Naorem Nodia Singh S/o (L) Kola Singh of Patsoi Part I,
2. -do- Bino Singh S/o (L) -do- of -do-
3. -do- Bijando Singh S/o (L) -do- of -do-
4. -do- Binoi Singh S/o (L) -do- of -do-
5. -do- Boby Singh S/o (L) Tompok Singh of -do- -Petitioners

-Vrs-

Late Naorem Tompok Singh S/o (L) Kola Singh of Patsoi. -O.P. Party

ꯈꯣꯡꯆꯠ / **NOTICE**

The 25th October, 2021

U/S 46(3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃ: পাট্টাদার নাওরেম তোম্পোক সিংহ, পীং মৃ: কোলা সিংহ, সাং পাৎসোই পার্ট-১গী মিংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং ৮০-পাৎসোইগী অনৌবা পাট্টা নং ২১৭ অমসুং ২১৬গী দাগ নম্বর ১৪৪৮ অমসুং ১৪৪৭ এরিয়া .৫৩ একর অমসুং .৪৮ একর চাওবা অঙনফৌ অনীমক অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমীৎ ৭নিগী মনুংদা ইশ্খোল/লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপ্তি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপ্তি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথুজরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Patsoi

HL-P/494/27



**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAGOLMANG, IMPHAL EAST**

**Ref :- Mut. Case No. 365/SDC/SLG/IE-2021 25-10-2021**

Parties:
1. Sarangthem Premlata Devi W/o (L) Naorem Singhajit of Singjamei Makha Norem Leikai
2. Suhani Naorem D/o (L) Singhajit Singh of Singjamei Makha Norem Leikai - Petitioners

-Versus-

Late Pattada:
Naorem Singhajit Singh S/o Nodiachand Singh of Naorem Leikai - Oppositie Party

ꯈꯣꯡꯆꯠ / **NOTICE**

Sagolmang, the 25/10/2021


Under Section-46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি Sagolmang তহশিল খুন নং 15-Sagolmang পাট্টা নং 89 (অরিবা) 297 (অনৌবা), দাগ নং 86 মোট এরিয়া 1.27 একর চাওবা ফৌরেল লৌফমগী পাট্টাদার মৃত্তু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারিশিং অসিনা মৃত্তু পাট্টাদারগী মিং কল্লগা মখোয়গী মমিংদা নমা পানবিরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চে ওইনা আপতি পীরবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা আপতি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চথুরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sagolmang, Imphal East

HL-P/0401/19



**ꯈꯅꯥꯎ/খনাউ মনুংদা নাকল অনীমক পোমথোক্লগা লৈবা, পোমথোক্লগা লৈবা অদুদা নাই চারকপা, চাবা-থকপা য়াদবা, তিন য়োৎপদফাও নাবা, লাইহৌ তোয়না হৌবা, খনাউ মনুংদা চাথৎপা, কোক তোয়না চিকপা, হৈ অমদি অঙৈংবা পোৎ চাবা য়াদবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।**



ঐগী হকচাংদা তোনশিলনা য়াম্না কন্না নাদুনা খনাউ মনুংগী নাকল অনীমক পোমথোক্লগা লৈবা, পোমথোক্লগা লৈবা অদুদা নাই চারকপা অমদি চাথৎলকপা, করিমত্তা চাবা-থকপা য়াদবা, য়োৎশিনবদা য়াম্না নাবা, তিন য়োৎপদসু নাবা, খনাউদা লোক লৈবগুম্না তৌরগা লৈবা, শীৎলুরগনা লোক য়াওরক্তবা, চাবা-থকপা য়াদবনা মরম ওইদুনা নোংম-নোংমগী হকচাং ময়েং তাশিল্লকপা, লাইহৌ তোয়না হৌবা, কোক তোয়না চিকপা, হৈ অমদি অঙৈংবা পোৎ চাবা য়াদবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবা :* **A. Gandhi Singh**
Wangkhei Khunou

HL-B/7236/27



ꯊꯕꯛ ꯊꯤꯕ

**URGENT JOB NEWS**

Government Regd. No. Kj/65(com.estt) of 2016

**(First come & First Chance)**

| Sl. | Name of Post | | Salary | Post | Qualn. |
|---|---|---|---|---|---|
| **1.** | **No Deposit Work at Imphal** | | | | |
| | i. Bank Manager (35 to 45 Yrs with Exp.) | | 10,000 – Above | 2 | G/M |
| | ii. Office Managerial Staff (M/F) | | 8,000 – Above | 10 | X/XII/G |
| | iii. Local Driver (407 TATA) | | 10,000 – Above | 3 | VIII/X |
| | iv. Chowkidar and Helper (Couple) | | 10,000 – Above | 3 | VIII/X |
| | v. Computer Operator (ADTP) (M) | | 6,000 – Above | 2 | DCA |
| | vi. Handyman / Helper (M /F ) | | 5,000 – Above | 5 | VIII/X |
| | vii. Micro Finance R.O(F) | | 5,000 with Inst. | 3 | X/XII |
| | viii. Bank Agent / Banking Salesman(M/F) | | 12,000 – Above | 10 | XII/G |
| | ix. Hospital Security Guard | | 6,000 – Above | 5 | X/XII |
| **2.** | **Banking Staff Recruitment of Nationalized Bank.** | | | | |
| | i. Banking Sitting Staff (M/F) | 25 yrs | 18,000– Above | 18 | G |
| | ii. Account opening Staff (M/F) | 26 yrs | 14,000– Above | 10 | G |
| | iii. Bank Sales Staff (M/F) | 30 yrs | 16,000– Above | 10 | G |
| | iv. Loan Officer Staff (M/F) | 30 yrs | 14,000– Above | 10 | G |
| | v. Credit Card Staff (M/F) | 28 yrs | 8,000– Above | 8 | XII/G |
| | vi. Phone Banking Staff (F) | 28 yrs | 10,000– Above | 7 | XII/G |
| **3.** | **Direct Selection & Joint for Airport Job Vacancy of Bangalore & Hydrabad (Semi Govt. Job)** | | | | |
| | i. C.S.A. Officer (M/F) | | 40,000– Above | 8 | G/M |
| | ii. Meet & Asst. Staff/ Ground Staff(M/F) | | 15,000– Above | 20 | XII/G |
| | iii. G-Loader/Airport Driver(M) | | 19,000– Above | 30 | X/XII |
| | iv. Air Hostess/Cabin Crew(F) | | 65,000– Above | 5 | XII/G |
| **4.** | **Wanted Immediately for Class XI to XII teacher Jobs in Imphal** | | | | |
| | i. Chemistry / Physics (With Exper) | | 7,000 – Above | 2 | G/M |
| **5.** | **In Imphal post vacancy 100% Success Guide** | | | | |
| | i. Office Reception (F) | | 4,000 – Above | 5 | XII/G |
| | ii. Security Guard/Ladies Guard(M/F) | | 6,000 – Above | 20 | VIII/X |
| | iii. Ex-Servicemen/Security Sup (M) | | 8,000 – Above | 5 | VIII/X |
| | iv. VIP-Security Gurd/Gunman Gurad(M) | | 10,000 – Above | 10 | VIII/X |
| | v. Micro Finance R.O.(M) | | 5,000 – Above | 5 | X/XII |
| | vi. Computer Instructor with Exp. | | 7,000 – Above | 1 | MCA |

**Date of Submission : 11-11-2021**
**Date of Interview : 12-11-2021**
**Pliz Contact : +91 9774361669 / 8131087993**
**Office Hour : 10.00 a.m. to 3.30 p.m.**

*Please Contact & Concern*
**Emoinu Job Consultant**
**Keishampat Opp. CCpur Bus Parking**
**Near Poknapham Press Gate**

HL-P/0484/27,29,1,8,10


পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।